## মে ১২ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস)ঃ

খোংজোম দে নুমীৎতা ৱাংখৈ মৈরাবা নীংশিং নুমীৎকা মরী লৈননা খা মায়কৈ ঙাকপা অপূনবনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা লৈবাক নীংবা শৈরেং চাংদম্নবা অদু খুদোংচাদবা খরা লৈবনা মে ১২ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না খা মায়কৈ ঙাকপা অপূনবগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, শরুক য়াগনি হায়না ফোর্ম লৌখিবা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচাদবা অসিগীদমক ৱারৌবীগনু। শৈরেং চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়ানিং-বশিংনা খা মায়কৈ ঙাকপা অপূনবগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি। মে ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাংখৈ মৈরাবা নীংশিং থৌরম অসিদা মীয়াম্না কৈরক্তা লৈবা মচিন-মনাও চীংদা ৱাংখৈ মৈরাবগী খুভমদা লাক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তন্বীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## খোংজোম লানফমগী অরেপ্পা নুমীৎ লৈখায় তাহনবীয়ু : থৌপৈ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস)ঃ

এংলো মণিপুরী লানগী শরুক অমা ওইরিবা খোংজোম লানফমগী নীংশিং থৌরম অসি লিশাং শিংনা এপ্রিল ২৩, এপ্রিল ২৫ নি হায়না য়েৎনদুনা লাক্লিবা অসি অথুবদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙনা অরেপ্পা নুমীৎ অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা লৈখায় তাহনবীয়ু হায়না য়েলহৌমী থৌপৈগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি থৌনাওজম রোহিচান্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নাখৈ শেংদবা অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি নৌনা হৌগৎলক্লিবা অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলদা চম্নহনবতা নত্তনা মীমাঙদা ঈকায় ফিরুক খুমহল্লে। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ইরমদম অসিগী অখণ্ড-অহৈ, স্কোলারস অমদি ওজাশিংগী ওইবা কম্মিটি/কম্মিসন অমা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা শেম্বীদুনা অচুম্বা নুমীৎ অমা লেপথোকপীয়ু।

এংলো মণিপুরী লান অসিদা মমা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা ইফুরুপচাশিংবু নীংশিংবগী থৌরম অসি অকক্লবা মীওই খরখক্কী মিংদা নৎত্রগা অকক্লবা মফম অমত্তদা পাঙথেক্লিবা অসিগী মহুৎতা লান অসিগী তোঙান তোঙানবা লানফম কয়াদা থৱায় কৎখ্রবা, মীয়াম্না শক-খঙলবা অমদি শকখঙহৌদ্রবা ইফু-রুপচাশিংবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী মফম হোংদুনা, মরুওইবা লানফম ওইখিবা মফম কয়াদা পাঙথোকপা অসিনা নীংশিং থৌরম অসি ময়েক শেংবা অমদি মপুং ফাবা হেনগনি হায়না য়েলহৌমী থৌপৈনা লৌজে। মরম অসিনা মতুং তারকন্দদি থৌরম অসি লানফম ওইখিবা মফমশিংদা পাঙথোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা নীংশিংজরি। য়েলহৌমী থৌ-পৈনা মীয়ামদা থমজরিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ইশা ইশাগী ওইবা য়ানিংবা, য়ানিংদবা ৱাখল অদু মীয়ামগী খুত্থাংদা নৎত্রগা হকথেংননা ফোঙদোকপীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ঃ সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী চহীগী চাকচা হৈজান্নবগী শিন্নবা তৌরিঙৈ চৈরক্তা থা অসিগী ১৯ দা কার অক্টোবদা লাকপা মীওই খরনা নোংমৈ রাউন্দ অমা কাপ্লম্বা থৌওং থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। মরী লৈনবশিং পুলিসনা পুথোকপীয়ু। মতুংদা অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়নসু লূপ অসিগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

## নোংইন মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দস ২০১৯ য়েম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী)ঃ

ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) কী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৭ লকশুবা নোংইন মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দস ২০১৯ গী এৱার্দশিং য়েম্থোকখ্রে।

এৱার্দ য়েম্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এ শিবদাসনা হায়খি, ফিল্ম পুথোক্লিবা অসি করিয়র শেম্বদা নত্তনা প্রোফেসন অমা ওইরক্কদৌরিবনি। করিয়র শেম্বদা তম্বা চঙই। মমুৎ তানা খঙবা তঙাইফদে। কোরিওগ্রাফর, এক্টিং, কেমেরামেনগী ওইবা হৈ-শিংবা কয়া অমসু লৈরিবনি। সার্টিফিকেট কোর্স অমদি দিপ্লোমা কোর্সশিং তমথোকপীয়ু। সার্টিফিকেট পায়রকপনা কান্নবা য়াম্না লৈগনি। নেসনল লেভেল অমসুং ইন্টরনেসনল লেভেলদা ফিল্ম পুথোরকপা মতমদা ক্বালিফিকেসনসু চঙদবা য়াদবা অমনি। নহাশিংনা চেকশিনগদবদি এক্সপিরিয়েন্স ঙাক্তনা য়ারক্তবসু লাকই। মণিপুরদা হৌজিক মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইনষ্টিট্যুট হাংগদৌরি। মসিগী ওজা কৌরক্কনি। মসিদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, লেকচররশিং লৌরকপা মতমদা সার্টিফিকেট পায়বা মীওই তঙাইফদবা লাক্কনি। ফিল্মদা লৈরিবা মচাকশিং নীংথিনা খঙবা ক্বালিফাই ওইবা মী য়াম্না থোরক্লবদি কম্পিটিসনদসু মশক থোকপা ওইরক্কনি। এলবম অমদি ফিল্ম নম্বদা থেংনরিবা এক্সপিরিয়েন্সশিং অদু ইথোকপা ঙম্বা য়াওরবদি ইথোকপীয়ু। মণিপুরগী কলচর, ট্রেদিসন অসি হৌজিক্কী মতমদা ক্লাস নাইনগী অঙাংনা হিষ্ট্রিদা খঙদে। ৩৩ এ দিগী মমাঙদা করি তৌরম্মী হায়বসি খঙবা চঙই। পুৱারীগী মরুওইবা নিংথৌরোলশিংগী ৱারীশিংসু খঙবা চঙই। নিংথৌরোলশিংগী য়ুম্ফম ওইবা লীলা, দ্রামা, ঈশৈ পুথোক্লবদি অঙাংশিংনা হিষ্ট্রি তম্বদা মতেং ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা অরুন ইন্টর-প্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর অরুনকুমার থাংজমনা হায়খি, ম্যুজিক কম্পোজ তৌবা মতমদা মপানগী ওইবা ইনষ্ট্রুমেন্ট কয়া শীজিন্নদুনা কম্পোজ তৌবসু য়াওই। তাবদা নুংঙাইবা ম্যুজিক কয়াসু থেংনৈ। ইনষ্ট্রুমেন্ট কয়া অমা শীজিন্নরগসু ঐখোয়গী ওইবা ম্যুজিক পুথোক্লবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফিল্ম ফোরমগী চেয়রমেন এস মঙ্গোলজাওনা হায়খি, ফিল্মগী লমদা চঙলক্লিবা অমদি চঙবা পামজবা কয়া অসি শেমগৎপা তঙাইফদে। মখোয়গীদমক ঐখোয়না লম্বী শেম্বনি। ফিল্মগী ওইবা আর্টকী, এক্টিংগী ইনষ্টিট্যুট কা হেন্না লৈতবনা কম্পিটিসন অসিদা শকখঙলবা আর্টিষ্টশিং য়াওরকপা কয়াসু লৈ। কম্পিটিসনগী ওইনা নীংথিনা খন্নে। অনৌবশিং ফিল্মগী লমদা লাক্লবগী লম্বী হান্না য়াৎপনি। কম্পিটিসন অসি অনৌবা ঙাক্তা য়েংনহনবগী তঙাইফদবা লাকপা ওই। মশক খঙলবা অদুগা লম্বা পান্নবদা অঙাং অদুনা ঙমখ্রবসু পোপ্যুলর ওইবা অদু হেক মায়থীবা ওইবা, অকনবদুনা হেক ঙমখ্রবসু অঙাংগা লম্বা পান্নহনবা ওইবা অসিসু থোক্তনবা খন্নখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ফিল্ম ফোরমগী সেক্রেটরি এন জি ঘনশ্যামনা হায়খি, মণিপুরী ফিল্মদা এক্টর, এক্ট্রেস মশিং য়াম্লক্তবনা মরম ওইরগা অনৌবা এক্টর পুথোকপগী তঙাইফদবা লাক্লি। ম্যুজিক ভিদিও নৌনা হিঙ্গৎহন্নগী পান্দমদা ফিল্ম ফোরম মণিপুর, মহৈরোয়শিংগী লূপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া পুন্না ফম্মিন্নদুনা য়ানবা পুরকখি। য়ান্নরোলশিং অদুগী মনুংদা ঐখোয়গী ট্রেদিসন ঙাকপগা লোয়ননা ফিজেৎ ফিজোল চেকশিন্নবা ৱারোল কয়া পুথোক্তুনা চৎন-কাঙলোন শেম্মিন্নখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা য়ুম্বাল্লোন, য়ুমশারোল চেকশিন্না ঙাক্তুনা থমসি : নারেংবম সমরজিৎ




ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী)ঃ

ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা য়ুম্বাল্লোন, য়ুমশারোল য়াওনা চৎন-কাঙলোন কয়া ঐখোয়না চেকশিন্না ঙাক্তুনা থমসি হায়না সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমি-টেদকী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

শিংজমৈ চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকা-য়দা পাঙথোকখিবা লৈশেম্বা খুন্থোকপা অহানবা, লিক্লম লিখুন লিবা লূপকী চহীগী ওইবা মীফমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নারেংবম সমরজিৎনা হায়খি, ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা য়ুম্বাল্লোন অমদি য়ুমশারোলদা য়াওরিবশিং অসি ঐখোয়না নীংথিনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎন-লোনচৎ কয়া অসি ঙাকপগা লোয়ননা তুং কোয়না লৈহৌনবা হোৎনবা তাই। ঐখোয় ঙসিদি মীকপ থোরক্লবনি। ইপা-ইপুনা থারম্বা কৈরাক কাদুনা হেক্লিংবা হেক্লগা পলেম পনথৌদা কৎপা ঙল্লগনি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় অসি তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই চেল্লবা ঙাক্তনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাওনদুনা থবক কয়া পাংমিন্নসি। ঐখোয় চিন থিনগুমসি। পুকচেল শেংনা থবক তৌদুনা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চৎনবা হোৎনবা তাই। ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থম্বীরল্লবা মমল য়াল্লবা চৎন-কাঙলোন লীচৎ কয়া অসি ঙাকপগা লোয়ননা থবক কয়া পাংবা মতমদা মায় পাক্কনি। মালেমগী মীয়াম্না লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয়গী মতিক ময়াইশিং অদু খঙনরক্লিবনি।

চৎন-লোনচৎ, থৌগল্লোনশিং ঙাকপগা লোয়ননা খুন্নাইগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরকপা মতমদা য়াইফবা লমদম অমা ওইগনি। মীৎয়েং অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্তা থৌদাং লৌমিন্নবা তাই। লাইনিং-লাইশোন অমদি ইপা-ইপুনা পীবীরম্বা ৱা-খল্লোন কয়া অসি ঐখোয়না নীংথিনা খঙমিন্ননবা হোৎনবগা লোয়ননা থবক্তা উৎপা তাই। চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইরক্লবগীদমক চপ চাবা থৌদাং অদু লৌমিন্নসি। মসিদা অমগা অমগা পাউ ফাওনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পুকোক, লৈশেম্বা খুন্থোকপা অহানবা লিক্লম লিখুন লিবা লূপ টি ঐচ চাওবা খুমননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। নেসনল এন্দ ইন্টরনেসনল এৱার্দী শরতচান্দ থিয়ামসু থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লৈশেম্বা খুন্থোকপা অহানবা লিক্লম লিখুন লূপকী মী-হুৎ কয়ানা ফোঙদোক্লখিবদা, য়েলহৌ-ঙৈদগী লৈরক্লবা চৎনবী অমদি নাৎকী শক্তম কয়া অসি ঙাক্লবা হোৎনবা তাই। লূপ অসিনসু হিরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক থৌগাই কয়া পাংদুনা লাক্লি হায়বা ৱাফম থমখি। থৌরম অদুদা লূপ অসিগী থৌ পুবা কয়া অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নাৎকী লমদা খঙ-হৈরবা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## মচা লৈমগী সনা ফুদোংবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী)ঃ

মণিপুরী চনুরা লৈশেম মরুপ (মচা লৈমা) গী সনা ফুদোংবগী থৌরম ঙসি কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এক্স-এদিটর হাওবম সৈত্যবর্তিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদগী চহী ৫০ গী মমাঙ, কুমজা ১৯৬৯ গী এপ্রিল ২১ দা মচা লৈমা অসি শেমখি। ৱাখল্লোন মান্নবা লাইরিক তল্লিবী চনু নিংঙোলশিংনা পুনশিন্দুনা মচা লৈমা শেমখিবনি। মতম অদুদা নুপী ঙাক্তনা ওর্গনাইজেন অসি হোৎনরকপদা অরাইবা ওইখিদে। ওর্গনাইজেসন অমা থবক তৌবা হায়বসি থবক তৌবা ঙমগদবা নুপী ময়াম চঙই। পামজবা অমগা লোয়ননা মীনোক মৈশা কয়া খাংদুনা হোৎনরকখিবনা ঙসিদি মীয়াম্না খঙবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরে।

কুমজা ১৯৭০ দা তম্ফাসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নুপী ঙাক্তগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোকখি। সোভিনার অমসু পুথোকখি। কুমজা ১৯৭১ দসু জি এম হোলদা সেমিনার অমুক পাঙথোকখি। মতমদুগী লাইরিক লাইশু হৈরবী কয়ানা সেমিনার অদুদা ৱা ঙাঙখি। মচা লৈমাগী ৱাখল্লোন ময়েক শেংবা হেল্লকখি। ঙসিদি মচা লৈমাগী ওফিস অমদি স্কুল লৈরে। লৈরিবা মফম অসি লাইওইখ্রবা নিংথৌ ওকেন্দ্রজিৎনা ময়াম্লুং অমদি মনাওশিংগা তান্নরগা কুমজা ১৯৭৭ দা পীরম্বনি। কুমজা ১৯৮০ দা মচা লৈমাগী স্কুল অমদি ওফিস মফম অসিদা হোংলকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা লেংবীরকপগী ৱারোল পীরদুনা মচা লৈমাগী ফাউন্দর সেক্রেটরি খুন্দোংবম ইবেতোম্বীনা হায়খি, মমাঙঙৈদদি নুপীশিং ফাজিল্লগা চাকথোং ফিশু তৌদুনা লৈরম্মী। নুপীশিংনা নুপীশিং চৎপা মতমদসু লক্নরম্মী। মশক মতৌ ফজরবী খজিক্তং চাউরকপদা ফাবা পুনবা কয়া তৌনরম্মী। নুপী ওইবীশিংনা থবক কয়া তৌনিংলবসু মবুং-মৌপ্পাশিংনা য়াদ্রগদি তৌবা ঙমদে। কুমজা ১৯৬৮ তা নুপী ফাবগী থৌদোক কয়া থোকখি। মদুদা কোলেজগী ওজা অমসুং অহল-লমনশিংনসু ফংখি। নুপীগী অৱাবদি নুপীনা খঙগদবনি হায়না ওজাশিংনা তাকপীরকই। মচা লৈমা লিংখৎতুনা থবক কয়া তৌরকই। নুপীশিংনা তৌনিংবা অমসুং য়ানিংদবা কয়া লাকপদসু য়ানিংদে হায়বা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা ঙসি শেমখিবনি। মালেমগী নুপীশিংগা মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মচা লৈমা শেমখিবনি। মচা লৈমনা হৌরকপা মতমদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মচা লৈমগী ফাউন্দর মেম্বরশিংদা ঈকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মমেন্টো খুদোল তমখি। থৌরমদুদা মচা লৈমগী এদভাইজর হুইদ্রোম বরকন্যানা থৌরম মপু ওইখি। মচা লৈমগী লাইফ মেম্বর য়েংখোম রোমানা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## মপোক কুমওন

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচ এন এস)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা য়াইফকোল সিনিয়র সিটিজন হোম ফোর ৱিমেন্স ওইনামগী শঙলেনদা য়ং ৱিমেন হেল্প ওর্গনাইজেসনগী ৮ লকশুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ, টি ঐচ নন্দকিশ্বরনা য়ং ৱিমেন হেল্প ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট শান্তিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ইম্ফাল ইষ্টকী উপ-অধক্ষ কে এস ঐচ তমা, আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ২০ গী এস শরত, কে ভি আই বিগী মেম্বর সেক্রেটরি এন জুগিন্দ্রো, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর, ইম্ফাল ইষ্ট কে এস ঐচ সুবধনি, এল সানোই কোলেজ নম্বোলগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর সলাম শান্তিবালানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ওর্গনাইজে-সন অসিগী সেক্রেটরি মানবী লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, ওর্গনাইজে সন অসি লিংখৎলকপা চহী ৮ শুরে। ৯ শুবা চহীদদি হেন্না থবক তৌনবা হোৎনগনি। অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরদা শেঞ্জা-থুমজা মকোক্তগী মুখৎপা তাই : ফ্রন্ট

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী)ঃ

মণিপুরগী শেঞ্জা-থুমজা মুখ-ৎসি হায়রবদি মকোক্তগী হৌনা মুখ-ৎপা চঙই হায়না মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক ফ্রন্টকী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এস শামুঙৌনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা এম এল এ ৬০, লোক সভাগী এম পি অসিনা শেঞ্জা-থুমজা মুখৎনিংবগী ৱাখল লৈরবদি মুখৎপা ঙমগনি। লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা লৈরিবা এম পিশিং, ওপোজিসন্দা লৈরিবশিং অমদি এম এল এ ময়াম্না শেঞ্জা থুমজা মুখৎনবগী চপ চাবা ৱাখল্লোন অদু লৈরবদি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া পুম্বদা মুখ-ৎলকপা ঙমগনি। মখোয়না শেঞ্জা থুমজা তৌদ্রবদি শেঞ্জা থুমজা হায়বসি মখা তাবশিংনসু তৌরক্লোই।

শেঞ্জা-থুমজা থিংনবা কাঙলোন কয়া লৈরি। মণিপুরদা শেঞ্জা থুমজা-গী চাং অসি ৱাংলে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরি। চৎন-কাঙলোনশিংগী মখাদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপা তারবদি মণিপুরদসু শেঞ্জা-থুমজা থিংনবা লৈঙাক্না থবক লৌখৎলে হায়না লৌবা য়াই হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা শেঞ্জা থুমজা থিংনবা হোৎনদ্রবদি চহী খরগী মতুংদদি মণিপুর শাথিবা ফীভম অমদা লৈরগনি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা শেঞ্জা থুমজা থিংনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি। শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবা হায়বসি মকোক্তগী হৌরকপা চঙই। মকোক থোংবশিংনা শেঞ্জা থুমজা থিংবগী চপ চাবা থবক অদু পায়খৎলক্লবদি মসি থিংবদা খুম্মাং চাউশিল্লক্কনি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা খন্নমিন্নবা চঙই। শেঞ্জা থুমজা থিংবগী মরী লৈনবা রুল অমদি সেক্সনশিং অসি নীংথিনা ঙাক্লবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইষ্টর সন্দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ (ঐচএন এস)ঃ

মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্ল বগুম খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংনা পাঙথোকপা ইষ্টর সন্দেগী থৌরম ঙসি লাঙ্গোল তরুনদা লৈবা আর এন বি এ চর্চ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা রেবরেন এল তিমোথি ফাওমৈনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা ইষ্টর সন্দে অসিনা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী মকোক থোংবনি। যিশু খৃষ্টনা শিখ্রবা মতুংদা অমুক হিঙ্গৎলকখিবা অসিনা নুমীৎসিগী খুদম চাংদমনি। যিশুনা অতিয়া অমদি মালেম অনীমক্তা খ্বাইদগী চাওবনি হায়বসি ঐখোয়না লৌগনি। যিশু খৃষ্টনা শিখ্রবা নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা অমুক হিঙ্গৎলক্লে। মহাক্লা মী কয়ামরুম উনরম্মী। মীওই কয়াদা মহাক যিশুনি হায়রম্মী। মীওইবা খুদিংমক মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোন লৈ। খৃষ্টিয়ন কাঙবুনা যিশুবু থাজরবদি অফবা ওই। মীয়ামগী খনবা মী ওই। মীয়ামগীদমক মখোয়না শিবা কিরোই। মখোয়না মীনুংশি লৈ হায়বসি য়েক্লবদা ফাওবা নুংশিবা ফাওই। যিশু খৃষ্ট অসি নিংথৌনি। খ্বাইদগী মীনুংশি চাওবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা ইষ্টর সন্দে অসিনা চীংমী-তম্মী অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা অমদি ঈং-চিকপা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইষ্টর সন্দেগী মরুওইবা থীমদি রেস্পোন্স টু যিশুস রিসরেক্সন হায়বা অসিনি। খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা যিশু খৃষ্টকী মফমদা থৌনিজবগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা যিশুবু নীংজবগা লোয়ননা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওই কয়ানা ইষ্টর সন্দেগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। নাৎকী ওইবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADVANCED COACHING INSTITUTE MANIPUR — GROWTH WITH QUALITY
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE, IMPHAL IN BOTH SCIENCES AND ARTS
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI NEAR RIMS ROAD ; OPPOSITE TO KOIRENGEI AUTO PARKING
OPEN ADMISSION
KWAKEITHEL BRANCH THIYAM LEIKAI (OPPOSITE TO PHOTON SCHOOL)
2018 COHSEM SCIENCES TOPPERS
3RD POSITION Y. DEVAJIT · 9TH POSITION P. BADAL · 9TH POSITION KONICA N. · 10TH POSITION KOURANGANBA · 10TH POSITION L. IMOBA · 15TH POSITION H. ARBIN · 17TH POSITION SH. BIKISH
2018 COHSEM ARTS TOPPERS
2ND POSITION T. SUNAINA · 3RD POSITION Y. GUNCHENBA · 5TH POSITION T. JAMES · 5TH POSITION LOYANGAMBA · 7TH POSITION K. OBED · 8TH POSITION T. ORESH
2018 BOSEM TOPPERS
11ST POSITION RAJESHORI · 24TH POSITION MD. HANIF · 17TH POSITION ASMA M.
LIMITED SEATS
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE FOR EX-ACIAN STUDENTS
2. Rs 2,000/-OFF IN REVISION COURSE FOR GOVT. SCHOOL.
3. RS 4,000/- OFF IN FOUNDATION COURSE FOR GOVT. SCHOOL.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN CLASS X EXAM
TIMES SCHEDULES
MORNING SHIFT 4.40 – 7.30 A.M.
EVENING SHIFT 4.45 – 7.50 P.M.
SEPARATE CBSE, BOSEM & COHSEM
LIMITED SEATS
FIRST COME FIRST SERVE
HURRY!!
SEPARATE BOYS' & GIRLS' HOSTEL AVAILABLE
FOR QUARY 9862992105
advancedcoachinginstitute112@gmail.com
FOUNDATION COURSE FOR 2019 SESSION
VAN SERVICE BOTH IN MORNING & EVENING
NEWLY OPEN

| CLASS | VI-X (BOSEM) | VI-X (CBSE) | XI-XII (SCIENCE COHSEM) | XI-XII (ARTS COHSEM) | XI-XII (CBSE ARTS & Sc.) | XII COMMERCE |
|---|---|---|---|---|---|---|
| DATE | 17TH & 25TH APR. | 17TH & 25TH APR. | 17TH & 25TH APRIL. | 17TH & 25TH APR. | 17TH & 25TH APR. | 25TH APRIL. |

H/L-P/4104/21/4-21/5

Regd. no. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School), Imphal
ADMISSION OPEN
VACATION COURSE for
NAVODAYA & SAINIK (50 days)
CLASS-X (CBSE) 2nd May 2019
FOUNDATION COURSE for CLASS - XII (COHSEM) 15th April 2019
FOUNDATION COURSE for CLASS - X & XI Sc. (BOSEM) (COHSEM) 10th June 2019
Subjects: ( XI & XII Sc. )
PHYSICS: 1. Sir Vikash, Former Lecturer : XTRA EDGE School; 2. Miss Nonibala, Lecturer :......... ............. School
CHEMISTRY: 1 Sir Suresh, Former Lecturer : XTRA EDGE School; 2. Sir Bidyasagar, Former Lecturer : MEM Hr. Sec. School
BIOLOGY: 1. Sir Dayabanta, Lecturer :......... .......... Academy; 2. Maam Radharani, 10 yrs of teaching experienced
MATHS: 1. Sir Shanjit, Former Lecturer : HRD Academy.; 2. Sir Dilip, Lecturer : Royal Academy of Sc.
ENGLISH: 1. Sir Oken, Former Lecturer : MECI Explorer Academy
→ Hostel / Boarding
→ Printed Study Material
→ Van Service
Class Timing :- 4:30 p.m. - 7:30 p.m.
Contact : 8787307245

ENROLL TODAY Most Trusted Institute Since 2001... ENROLL TODAY
GLOBAL SPOKEN ENGLISH
DOT COM COMPUTER
FEATURES: GRAMMAR, SPEAKING PRACTICE, SMART CLASS, VOCABULARY, PRONUNCIATION, PERSONALITY DEVELOPMENT, INTERVIEW SKILLS, CAREER COUNSELLING ETC...
SPECIAL OFFER FOR CLASS X,XI,XII APPEARED STUDENTS FREE 1 MONTH COMPUTER COURSE + 1 SPOKEN ENGLISH COURSE
CLASS TIMING
ENGLISH: 6:00AM, 7:30AM, 11:00AM, 4:00PM
COMPUTER: 6:00AM, 9:00AM, 12:30PM, 3:30PM, 7:30AM, 11:00AM, 2:00PM
COURSES: BASIC, CCA, CCC, DCA, DTP, CCP, TALLY, MULTIMEDIA, OFFICE AUTOMATION, INTERNET ETC...
INSTRUCTOR:- SIR BITAM # 9077222273/7005214205/9089645181/8413946225
VENUE : GOURAHARI MARKET ,PAONA BAZAR ,NEAR SBI ATM BOOTH